ওলিম্পিককীদমক ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী শুটরশিং থা অনী মখায়গী টুরগীদমক খোঙশানখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১১ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা দিসিপ্লিন অমদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ক্বালিফাই ওইবা ঙম্লিবা ইন্দিয়াগী শুটরশিংনা থা অনী মখায়গী ওইবা ট্রেনিং কম কম্পিটিসন টুরগীদমক্তা ক্রোএসিয়া তম্না ঙসি ন্যু দেল্লীদগী খোঙশানখ্রে।

ক্রোএসিয়াগী কোনুং জাগ্রেবতা থুংলগদবা ইন্দিয়াগী শুটর ১৩ অমদি কোচ য়াওনা সপোর্ট ষ্টাফশিংগা লোয়ননা য়ুরোপতা তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসন অমদি ট্রেনিং শরুক য়ানবগীদমক্তা ঙসি মফম অদুগীদমক্তা চৎখিবনি।

ক্রোএসিয়াগী কোনুং জাগ্রেব সিটিদা ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অদুনা ট্রেনিং চথুরবা মতুং থা অসিগী ২০দগী মথং থাগী ৬ ফাওবা লৈবাক অদুগী অতোপ্পা সিটি ওসিজেকতা পাঙথোক্কদবা য়ুরোপিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপকীদমক শরুক য়াগনি। মদুগী মখা তারকপদা ওসিজেক সিটি অদুমক্তদা জুন ২২দগী জুলাই ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসনগী ৱর্ল্ড কপতসু ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অদুনা শরুক য়াগদৌরি।

ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসনগী ৱর্ল্ড কপ অসি হৌজিক-হৌজিক মালেমদা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা সিটিদা পাঙথোক্লমগদবা ৱর্ল্ড কপ অদুসু পূনশিল্লগা ওসিজেক সিটিদা অপূনবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)গী প্রসিদেন্ট রানিন্দর সিংহনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোলদা ক্রোএসিয়াগী সিটি জাগ্রেব তম্না চৎখিবা ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অদুবু অফবা মায় পাকপা ওইরসনু হায়বা ৱাহে ফোঙদোকপগা লোয়ননা শুটরশিং অদুনা হোৎনরিবা মহয় ফংলসনু হায়না টিম অদুনা জাগ্রেব তম্না চৎকদবা চার্টরদ ফ্লাইট অদুগী মাংওইননা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ঙসি জাগ্রেব তম্না চৎখিবা শুটিং টিম অদুগী মনুং চন্দবা ইটালিদা বেজ তৌদুনা ট্রেনিং তৌরিবা স্কিট শুটর অঙ্গদ ভির সিংহ বাজুৱা অমদি মাইরাজ অহমদ খাননা মখোয়-মখোয়গী ট্রেনিং সেন্টর অদুদগী অফবা মওংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংননবগীদমক্তা কন্না হোৎনরি।

মমাংদা ইন্দিয়াগী শুটর ওইরম্বা হৌজিক-হৌজিক্লা ইন্দিয়াগী নেসনল রাইফল টিমগী হাই পর্ফোর্মেন্স কোচ অমগী থৌদাং লৌরিবা সুমা সিরুরনা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ন্যু দেল্লী থাদোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা টিম অদুবু অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবগীদমক্তা মীয়ামগী থৌজাল নীখি।

পূন্না নুমীৎ ৮০নিগী ওইবা ট্রেনিং কম শুটিং কম্পিটিসন অদুশরুকয়াবা লোইরবা মতুং ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অদুনা মখা তানা ইন্দিয়াদা হল্লক্তনা টোকিওগীদমক্তা খোঙশানগদৌরি।

চেক রিপব্লিককী কিটোভানা পোলেন্দগী লিনেট থোইদুনা ইটালিয়ন ওপন দব্লিয়ু টি এগী ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

রোম, মে ১১ (এজেন্সী):
ইটালিগী কোনুং রোমদা লৈবা ফোরো ইটালিকো টেন্নিস সেন্টরনা থা অসিগী ৯দগী হৌরকখিবা ইটালিয়ন ওপন এ টি পি মাষ্টর্স অমদি দব্লিয়ু টি এগী অপূনবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভানা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মেটচতা পোলেন্দগী এম লিনেটপু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি নুপীগী কাঙলূপ্তা শেলগী মনা ওইনা য়ুরো ১,৫৭৭,৬১৩ লৈরি। অদুগা নুপাগী এ টি পিদনা য়ুরো ২,৫৬৩,৭১০গী শেলগী মনা লৈরি। হন্দক্কী অসি থারগা ইটালিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি ৭৮লকশুবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবনি। হৌখিবা সিজনদা নুপীগী সিজনদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা নুপাগী সিঙ্গলসতনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা ওইখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা সিদেদ ওইরিবী চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভানা পোলেন্দগী এম লিনেটকা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু য়াম্না শোয়দুনা গেম ১-৬তা মায়থীখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবী কিটোভাগী মায়কৈদগী থংনবা সেট অনী অদু ইৱা ৱাদনা ৬-০, ৬-২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী সী মেকহেলবু ৬-৩, ৬-০দা থোইরম্বী রসিয়াগী ভিরা বোনারিভাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীগী মকোক থোংবা শান্নরোয় অমদি নুপাগী মায়কৈদসু মকোক থোংবশিংনা শরুক য়ারিবনি। নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী হন্দক্তা মাদ্রিদ ওপন ফাইনেলদা বেলারুসকী এরিনা সভালেনকাগী মখূৎতা মায়থীহৌবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী এম ট্রিভিসানবু ০-৬, ৭-৬ (৭-৪), ৭-৬(৮-৬)তা থোইরম্বী কজাখষ্টানগী ৱাই স্বেদোভাগা লম্বা তৌনরগনি। মাদ্রিদ ওপনগী টাইটল লৌখিবা এরিনা সভালেনকানা টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা সিদেদ ওইনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংলবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী সী জিওর্জিবু ৬-৭ (৪-৭), ৭-৬ (৯-৭), ৫-৭তা থোইখিবী স্পেনগী সোরিভস টোলমোগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা মহাক্কী টাইটল দিফেন্দ তৌনবগীদমক্তা অহানবা রাউন্দ বাই ফংলগা অনীশুবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী দেনিএল ইভান্সপু ৬-৩, ৬-২ দা থোইরম্বা য়ু এস এগী টি ফ্রিটজকা লম্বা তৌনরগনি। মমাংগী চয়োলদা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংলগা ২শুবা রাউন্দদা ইটালিগী এমানারিনোবু ২-৬, ৭-৫, ৬-২দা থোইরম্বা বোলিভিয়াগী ঐচ দেলিয়েনগা লম্বা তৌনরগনি। মরক অসিদা জপানগী কৈ নিশিকোরি অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা রাউন্দ বাই ফংদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়না অতোপ্পা লৈবাকশিংগী কোভিদ-১৯ প্রোটোকোল ঙাক্কদবনি : রিজিজু

ন্যু দেল্লী, মে ১১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা চেকশিন ৱাহে পীদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং য়াওনা কোচশিংনা মীরমদা ট্রেনিং নৎত্রগনা কম্পিটিসন শরুক য়াবা মতমদা লৈবাক অদুনা পীরিবা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোলশিং ঙাক্লা চৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইন্দিয়াগী শুটিং টিমনা ক্রোএসিয়াগী জাগ্রেব তম্না ঙসি ন্যু দেল্লী থাদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অদুবু য়ুরোপকী ট্রেনিং কম কম্পিটিসন টুর অদুদা চাওনা মায় পাকপা ওইদুনা অমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমসতসু টিম অদুগী মায়কৈদগী অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা মেদল ফংলকপা ওইরসনু হায়না থৌজাল পীখি।

রিজিজুনা মখা তারদুনা, শুটরশিং অদুনা য়ুরোপতা লৈরিঙৈ মতমদা মখোয়-মখোয়গী ওইবা ইভেন্টশিং অদুদা পূক্নিং চঙনা হোৎনগদবনি। অৱাৎপা অরৈবা পূন্নমক শুটরশিং অদুখক্তা নৎতনা কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগীদমক্তা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমদি লৈঙাক্লা লেংদনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি। ৱাফমশিং অসি হন্দক্তা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা বেঙ্গলুরু এফ সীনা মালদিভসতা এ এফ সী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ মেটচ অমা মালদিভসকী ক্লব ইগলসকা শান্নবা চৎখিবা অদুদা মফম অদুগী কোভিদ-১৯ প্রোটোকোল থুগায়রুবা অদুগা ইরোয়ননা ফোঙদোরকপনি।

মুতুম অরুনকুমার মীতৈনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্টকী উরিপোক সোর্বোন থিংঙেল লৈকাইদা লৈবা থাঙ-তাগী শিন্তাকপুরেল থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী পাউতাক্লোই ওজা মুতুম অরুনকুমার মীতৈ, 'লমজিং পুরেল সনা কোনুং', 'ষ্টেট কালা একাদেমি এৱার্দী', মেম্বরস ওফ সাইলাবস কম্মিটি থাঙ-তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমদি য়েলহৌ ইনাৎ হুয়েন লাল্লোং শিন্দমশঙ (য়াইহুল)গী শিন্তাকপুরেল ওইরিবা ওজানা মতম কুইনা মতমগী লাইচৎ (কোভিদ-১৯) লায়নাগী চৈনা খাঙলম্লগা ইখঙ খঙহৌদনা ঐখোয় পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা লাইরমলেন্দা তিনখিবদা থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী শিনারেন (সেক্রেটরি) চুংখাম সুনিলকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওজানা হিংলিঙৈ মতমদা থাঙ-তা লোইশঙবু মপূং ফানা অমদি চাউখৎনবা হোৎনবীরম্বতা নৎতনা সনা কোনুংগী অচৌবা ফম লমজিং পুরেল পুবীদুনা অচৌবা থবক থৌদা কয়া তৌরম্বগা লোয়ননা থাঙ-তাগী মহৈ অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বীরম্বা কয়াবু লোইশঙনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। ওজাগী শিংবা ঙম্লরোইদবা লমন অমা তোনশিলহৌরে। ওজাগী থৱায়না লাইরমলেনদা শেম্বীবা মপূগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা মপূগী মফমদা থৌনীজরি। মতম চুপ্পদা ওজাবু কাউবা ঙমদনা লৈহৌরগনি। ওজাগী মিংলেন্না মালেমদা লৈরিবমখৈ মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। অমুক হন্না ঐখোয়গী ইরক্তা পোকপীরমখো শেম্বীবা মপূগী থৌজালদগী। ওজাগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

ডা. সলাম মনি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচ এন এস):
মণিপুর মৈতৈ এসোসিএসন বেঙ্গলোরনা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমদা ডা. এস মনিনা লৈখিদবগী নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

ডা. এস মনি শান্ন-খোৎনবগী লম্দা থৱায় য়াম্না য়াওবা মীওই অমা ওইখি। মহাক্না ত্রিপুরা ষ্টেটকী মহুৎ শিন্দুনা কুমজা ১৯৬০গী মতমদা সন্তোশ ট্রোফি য়াওখি। মদুগী মতুংদা ষ্টেট অদুগী বিরেন্দ্র ক্লবকী শান্নরোয় অমসু ওইরমখি। মখা তারকপদা এস মনিনা গ্বালিয়রগী লক্সমী নরায়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসনদগী স্পোর্টসকী দোক্টর ওফ ফিলোসোফিগী সর্টিফিকেট ফংখি। কুমজা ১৯৯৯দা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা নেসনল গেমস অদু য়েংশিন্নবগীদমক সাই ইষ্টর্ন রিজনগী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুহনখি। মহাক লৈখিদবদা এম এম এ বিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

নহা ওইরিবা বোদি বিল্ডর সেন্থিল কুমারন হার্ট এটেকতা লৈখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমিং নৌনা চৎখৎলক্লিবা বোদি বিল্ডর সেন্থিল কুমারন সেলভারাজন হার্ট এটেকতা লৈখিদ্রে।

টামিল নাদুদগী হৌরকখিবা সেন্থিল কুমারননা মিষ্টর ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা টাইটল লৌখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৩দা সেরি ক্লাসিক বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টতসু ২শুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াবদি, সেন্থিল কুমারন খক্তা নৎতনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোদি বিল্ডর অমা ওইরম্বা জগদিশ লাদ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদবনি। মহাক্কী মাংওইননা হৌখিবা চহীদা অতোপ্পা বোদি বিল্ডর সটনম খট্রা য়াম্না অতেনবা মতমগী ওইনা নারল্লবা মতুং হার্ট এটেকতা লৈখিদবগী থৌদোক থেংনখ্রবনি।

সেন্থিল কুমারন সেলভারাজনগী মীশি অদুগী অকুপ্পা মরোল মীয়ামদা ফোঙদোক্ত্রিঙৈ মনুংদা ৱেভসাইট অমা ওইরিবা জেনেরেসিওনিরোন দোট কোমনা ফোঙদোরকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হার্ট এটেকতগী লৈখিদবনি হায়রি। সেলভারাজন সোসল মীডিয়াদা য়াম্না এক্টিভ ওইদুনা মহাক্কী বোদি বিল্ডিংগী কান্নবা অদু মীয়ামদা শন্দোক্তুনা হকচাং ফনা লৈনবগী পান্দমদা মহাকপু মতুং ইনবা কয়া অমা লৈখ্রবনি। মহাক্না অরোইবা ওইনা ইন্সটাগ্রামদা থাগৎলকখিবা ফোটো য়াওবা কম্মেন্ট অমদা মীয়ামদা 'ঙাইখো... ঙাইখিগনি... ইন্টরনেসনল ষ্টেজদা মহাক্কী মশক উগনি' হায়না ফোঙদোল্লমখি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎকী লৈখিবা অহানবা লোকদাউন অদুদা বোদি বিল্ডর অসিগী হকচাংগী ফীভম খরা শোকচিনখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা মহাক হার্ট এটেকতা লৈখিদবনি হায়রি।

ইন্দিয়া অমসুং স্রি লঙ্কাগী ক্রিকেট সেরিজকী ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচ অমদি টি-২০গী মেটচশিং কলম্বোদা শান্নরগনি

V/s
India
Sri Lanka Cricket
Sri Lanka

মুম্বাই, মে ১১ (এজেন্সী):
চহী অসিগী জুলাই থাদা ইন্দিয়া অমদি স্রি লঙ্কানা শান্নগদবা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচশিং অমদি টি-২০ মেটচশিংগী সেরিজ শান্নফম অদু স্রি লঙ্কাগী কোনুং ওইরিবা কলম্বোদা লৈবা আর প্রেমাদাসা ষ্টেদিয়মদা মেটচ পূম্নমক য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লনবা শীনখ্রে।

স্রি লঙ্কা লৈবাক্তা হৌজিক মালেম্না থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভকী চৈথেং অসি নীংথিনা লাকশিনবা ঙমখিবগা লোয়ননা স্রি লঙ্কা ক্রিকেটনা ইন্দিয়াগা লৈবাক অদুগী ক্রিকেট টিমগা শান্নগদবা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচ ৩ অমদি টি-২০ মেটচ ৩গী সেরিজ অদু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা শান্নফম অমখক্তদা শান্নবা য়ানবগী থৌশিল পায়খৎলকপদা কলম্বোদা লৈবা আর প্রেমাদাসা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শীনবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

আর প্রেমাদাসা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অদুদা ইন্দিয়া অমদি স্রি লঙ্কাগী ক্রিকেট টিমনা শান্নগদৌরিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচ ৩ অমদি টি-২০ মেটচ ৩গী সেরিজ অদু লৈবাক অনীগী শান্নরোয়শিং অদুনা অতোপ্পা মফমদা চৎতনা সিটি অদুমক্তদা বাইওববলগী মনুংদা লৈরগা শান্নবনা খ্বাইদগী শাফবা ওইগনি হায়না স্রি লঙ্কা ক্রিকেটকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্তুনা টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা চৎথোক-চৎশিনগী অকিবা অদুসু লৈররোই হায়খি।

স্রি লঙ্কা ক্রিকেটকী মায়কৈদগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেন প্রো. অর্জুন দি সিলভানা ফোঙদোরকখিবদা, আর প্রেমাদাসা ষ্টেদিয়মদা লৈবাক অদুগী ক্রিকেট টিমগা ইন্দিয়াগা শান্নগদবা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচ ৩ অমদি টি-২০ মেটচ ৩গী শান্নফম অদু অতোপ্পা মফমদা খায়দোক্তনা মফম অদুদা পূন্না শান্নরগনি হায়না ইন্দিয়াদা ফোঙবা মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী মেগাজিন অমগা ৱারী শান্নবদা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অদুনা স্রি লঙ্কাগা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজ অদুগীদমক্তা মফম অদুদা জুলাই ৫দা থুংগদৌরি। বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী মায়কৈদগী স্রি লঙ্কা অমদি ইন্দিয়াগা শান্নগদবা মেটচশিং অদু জুলাই ১৩দগী শান্নবদা মাংজৌননা অয়াবা পীখিবনি। স্রি লঙ্কা য়ৌবা মতমদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অদু চয়োল অমগী ওইবা লৈবাক অদুনা থল্লিবা ক্বারন্টিনগী মতম লোইরবা মতুং ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচশিং অদু শান্নগদৌরিবনি। মদুগী মখা তারকপদা টি-২০গী মেটচ ৩গী সেরিজ অদু জুলাই ২২দগী হৌরগা ২৭ ফাওবদা লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

স্রি লঙ্কা ক্রিকেটকী অর্জুনা দি সিলভানা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, চৎনরিবা লৈবাক অদুগী প্রোটোকোলগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা য়ৌরকপা মতমদা অহৌবা নুমীৎ হুম্নি অদু হার্দ ক্বারন্টিন ওইনা লৈহল্লগা মখা তারকপা নুমীৎ ৪নি অদুনা সোফ্ট ক্বারন্টিন ওইদুনা ট্রেনিং চথুবা য়াহনগদৌরি।

রিয়াল বেটিসনা গ্রানাদাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

মাদ্রিদ, মে ১১ (এজেন্সী):
স্পেনদা পাঙথোকপা লালিগাগী মেটচ অমদা রিয়াল বেটিসনা গ্রানাদাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী মাংওইননা রিয়াল বেটিস রাউন্দ ৩৪ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৫১ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা গ্রানাদা চপ মান্নবা মেটচ মশীংদা পোইন্ট ৪৫ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখি। মেটচ অদু ঙরাং অথেংবদা রিয়াল বেটিসনা য়ূম্বু ওইরগা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ বেনিটো ভিলামারিন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি। মেটচকী পুংখায় অমরোম পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু য়ূম্বু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা আইটোর রুইবালনা পীরকপা বোল অমদা বোর্জা ইগ্লেসিয়াজনা ৩৯শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয়না গ্রানাদাবু ১-০দা হেল্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা গ্রানাদাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা অদু ৬৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী দার্ৱিন মাচিসনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। শান্নবগী লোইশিল্লকপা ৮৭শুবা মিনটতা রিয়াল বেটিসকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা বোর্জা ইগ্লেসিয়াজনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা গ্রানাদাবু মাঙজিল থাখি। শান্নবগী লেমহৌরিবা মতম য়ামদ্রবা অদুদা গ্রানাদা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা ১-২দা মায়থীহৌখি।

বর্নলে ফুটবোল ক্লবনা ফুলহামবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে

লন্দন, মে ১১ (এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ৩৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বর্নলে ফুটবোল ক্লবনা ফুলহামবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা মায় পাক্লবা টিম অদু হান্না ১৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ১৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমগী মতম শান্নখিবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। বর্নলেগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা অকনবা এটেক অমদা টিম অদুগী মাটেজ ভিদ্রানা ফংখিবা বোল অমা মতাং চানা খায়দোরকপদা টিমমেট এস্লি ৱেষ্টৱুদনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ৩৫শুবা মিনটতা চনখি। পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং টিম অদুগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা অকনবা এটেকশিংদা অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ১তা ঙাইরবা মতমদা মখা তানা জেমস ব্রাউন হিলনা পীরকপা ক্রোস অমদা বর্নলেগী শান্নরোয় খৃস ৱুদনা ৪৪শুবা মিনটতা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয়না ফুলহামবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল শোথরবা ফুলহামগী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংদনা লৈখি। মদুগী অচৌবা মরমদি পাঞ্জল হেল্লিবা বর্নলেগী মায়কৈদগী য়াম্না চেকশিন্না শান্নরকপদগী বর্নলে হৌজিক-হৌজিক মায় পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা রাউন্দ ৩৫ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩৯ ফংলগা চপ মান্নবা পোইন্ট ফংলিবা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদতগী গোল দিফরেন্সতা হেন্দুনা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরি।

EMPLOYMENT NEWS

(Bricks Mistry + Jugali Needed)

☞ Samurou Bazar, Imphal West কা নক্লনা লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজৈ।

Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934

HL-P/6855/14-30 days alt

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 106

Sievers, Stefan - Ditt, Egon (2305)
Bundesliga 8889 Germany, 1989

1.e4 g6 2.d4 Bg7 3.Nf3 d6 4.Nc3 Nf6
5.h3 c6 6.a4 a5 7.Be3 Na6 8.Be2 O-O
9.O-O Qc7 10.Nd2 e5 11.dxe5 dxe5 12.Nc4 Rd8
13.Qe1 Nd7 14.f3 Bf8 15.f4 Bc5 16.f5 f6
17.fxg6 hxg6 18.Qh4 Bxe3+ 19.Nxe3 Kg7 20.Rf3 Rf8
21.Raf1 Qd6 22.Rd1 Qc5 23.Kh2 Nb6 24.Nf5+ Bxf5
25.exf5 Rh8 26.Qg4 Rh6 27.fxg6 Rxg6 28.Qe6 Rf8
29.Ne4 Qxc2 30.Ng3 Nc5 31.Nf5+ Kh8 32.Qe7...

QUESTION :

Black to win

Puzzle 105 Ans. :

48. Rxf7+The white rook decoys Black's king.Kxf7
49. Qxh5+ Ke7 **50.** Rg7+
50. Qh7+ Kf8 **51.** Rg8#Lawnmower mate
50. ...Kf8 **51.** Qf7#
51. Qh8#Lawnmower mate
48. Rxf7+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com